# শট্টুলর কিদম্বী শ্রীকান্তনা রেঙ্কিংগী টোপ টেনগী মনুংদা হল্লক্লুবা মিৎয়েং থল্লি



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১১ :
মতম খরা অশোকপা লৈবদগী শান্নরুদ্রবা মতুং শট্টুলর কে শ্রীকান্তনা মাকাউ ওপনদা হল্লক্লুবা মিৎয়েং থমখিবগা লোয়নননা রেঙ্কিংগী টোপ টেনগী মনুংদা হল্লকপা ঙম্নবা মাঙদা মিৎয়েং থমখ্রে।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি শ্রীকান্তনা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা টোপ টেনগী মপানদা থোকখি। মহাক্না ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী বেদমিন্টন ইভেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি অমদি মদুদগী জপান সুপর সেরিজদা অমুক শরুক য়াখিবদা মহাক্কী য়েৎ থংবা খুজেংদা শোকখিবদগী শান্নদনা লাকখি।

কুমজা ২০১৪ গী চিনা ওপন অমদি কুমজা ২০১৫ গী ইন্দিয়া ওপনগী টাইটল লৌখিবা শ্রীকান্তনা হায়খি, ঐঙোন্দা শোক্লিবা অসি মাইনরনি। হৌজিক মসি ফরে হায়বা য়ারে। ঐনা মাকাউ ওপনদা শান্নগনি। ঐনা চিনা অমদি হোং কোং ওপনদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। ঐনা চয়োল অসিদগী ট্রেনিং তৌবা হৌরে। ঐনা ট্রেনিং অসি নোংমা নোংমগী মতম হেঙ্গৎনা তৌরি। অদুবু ঐনা হেঞ্জিন্না ট্রেনিং তৌবদি পামদে অদুগা থুনা তৌবসু পামদে। ঐনা মতমগী মতুং ইন্না অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌগনি অমদি মসিনা ঐবু হেন্না ফগৎহনগনি হায়বগী আশা তৌরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, ঐনা রেঙ্কিংগীদমক থোইদোক্না খল্লুবা তৌদ্রে। ঐনা মতীং লৈবা অমদি পার্ফোর্মেন্স ফনা হল্লকপা পামই। অহানবগী টুর্ণামেন্ট অসি ঐগীদমক হেন্না থাজবা লম্বীদা পুনবগীদমক খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইরি। করিগুম্বা ঐনা ইভেন্ট খরা শান্নরবা অমদি মদুদা অফবা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙম্লবদি ঐনা টোপ আইট ফাওবগী মনুংদা হল্লক্লুবগী চাউরবা খুদোংচাবা লৈগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌজিক ৱর্ল্ডগী ১৩শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা শ্রীকান্তনা মহাক্কী লেমজনিংঙাই ওইরবা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াদুনা শান্নখিবদা চাইনিজগী লেজেন্দ লিন দানগী মখুৎতা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখি। মহাক্না সেমী ফাইনেল ফাওবদি চঙবা ঙমগনি হায়বগী চাউরবা আশা তৌখিবনি।

কুমজা ২০১৪ গী চিনা ওপন ফাইনেলদা লি দানবু মায়থীবা পীখিবা শ্রীকান্তনা হায়খি, ঐখোয়না চহী অমদা সুপর সেরিজ ইভেন্ট ১২ শান্নে অমদি নঙনা করিগুম্বা ঙন্না ইভেন্ট অমদা মায়থীহৌরবদি নঙনা মখা তাবা টুর্ণামেন্টশিং লৈরি হায়দুনা চাউথোক্না লৈবা ঙম্মী। অদুবু চহী ৪/৪ গী মনুংদা অমুক্তং লাকপা ওলেম্পিক্তা মায়থীহৌরবদি থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওই। ঐনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লি দানগা য়াম্না ক্লোজ ওইনা শান্নখি। অদুবু অনেম্বা মার্জিনদা মায়থীখি। মরম অদুনা ঐনা কনামত্তদা ৱাফম অমত্তা হায়বা তৌদনা মতম খরা পোত্থাবা পামখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, শান্নবা হায়বসিদা ঐনা মতম পুম্নমক্তা মায় পাক্কনি হায়বা লৈতে। কনাগুম্বা অমনা মায় পাকখিগনি অদুগা কনাগুম্বা অমনা মায়থীগনি। অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইবদি কম্পিটিসন মশক থোক্না হল্লক্তুনা শান্নবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি। নঙনা করিগুম্বা অকক্লবা ওপোনেন্ট অমগী মায়োক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন মায়থীরবসু মথংগী লাক্কদবা ইভেন্টতদি নঙনা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী আশা লৈগনি। নঙনা নঙগী ৱাখলদা মায়োক্লগদবশিং মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়বা লিচিংদা চপ যুংনা লেপ্পা হায়বসি মথৌ তাই। ঐনা জপান্দা শান্নখিবা মেচ অদুদা অপেনবা পোকই। অদুবু ঐনা অশোকপা নংখিবদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা মতম খরা লৈখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা গুন্টুরগী নুপামচা অসিনা মথং চহীদগীদি মহাক্কী সেদ্যুলদা ট্রেনিং অমদি কম্পিটিংগী সার্কুইটতা বেলেন্স লৈনা থম্নবা থৌরাং তৌরি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক্কী মতম অসি য়াম্না মরু ওইবা হায়বদু ওইরে। লাক্কদবা টুর্ণামেন্টশিং অমত্তা কান্দনা চৎননবগী মওং তৌরোইদবনি। কম্পিটিসনশিং থম্মোয়দা চেংনা থমদুনা মায় পাক্ল শান্ননবা থৌরাং তৌগদবনি। অদুনা মায় পাক্লবা মতুংদা রেঙ্কিংদা অদুমক মতেং পাংলক্কনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী অনীশুবা এদিসনদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা নুপাগী প্লেয়র ওইখিবা শ্রীকান্ত (লুপা লাখ ৫১) না এৱাধি ৱারিয়রগা শান্নদুনা মহাক্কী মিংচৎ হেঙ্গৎহন্নবা থৌরাং তৌরি।

# নেয়মারগী হাফ সেঞ্চুরিনা ব্রাজিলনা অর্জেন্টিনাবু মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ ষ্টেন্দিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে



বেলো হোরাইজোন্টে, নবেম্বর ১১ :
নেয়মারনা মহাক্কী ৫০শুবা ইন্টরনেসনেল গোল চনখিদুনা ব্রাজিলনা মফম অসিদা চথখিবা মখোয়গী ২০১৮ ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িংগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা আর্ক রাইভেল অর্জেন্টিনাবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

বার্সেলোনাগী সুপর ষ্টার নেয়মারনা গেম ৭৪ শান্নখিবদা মহাক্কী অপুনবা গোল ৫০ শুখিবগা লোয়নননা মখোয়গী অনৌবা কোচ টিটেগী মখাদা থংন-থংননা মখোয়গী মঙারকশুবা ওইনা মায় পাকখিদুনা সাউথ অমেরিকাগী ক্বালিফিকেসন টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

ব্রাজিলগী অতোপ্পা গোল অনী অদুনা ফিলিপ্পে কৌটিনহো অমদি পৌলিনহোনা চনখি। মখোয়না কুমজা ২০১৪ গী ৱর্ল্ড কপকী সেমী ফাইনেল মেচতা জর্মনিগী মখুৎতা য়াম্না লাকচনা ৭-১ দা মায়থীহৌখিবা অদুগী মতুংদা ঙরাং মেচ অসিনা চাউনা মায় পাকপা হায়বদু ওইখি। হৌজিক ব্রাজিলনা টিম ১০ গী রাউন্দ-রোবিন কম্পিটিসনদা গেম ১১ দগী অপুনবা পোইন্ট ২৪ ফংদুনা মকোক থংনা লৈরি।

অর্জেন্টিনানা মায়থীখিবা অসিনা ২০১৮ ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইনবগী চাউরবা আশা অমা শাগৎতুনা লৈখিবা অদুদা চাউনা অপনবা পীখ্রে। টিম তরাগী সাউথ অমেরিকান ক্বালিফাইয়িং গ্রুপ্তা ৱর্ল্ডগী টোপ রেঙ্কতা লৈরিবা সাইদ অসিনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা তরুকশুবা মফমদা লৈখ্রে। গ্রুপ অসিদগী টোপ ফোর টিমনা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি অদুগা মঙাশুবা মফমগীনা ওসিনিয়াগী ৱিন্নরগা প্লে-ওফতগী ক্বালিফাই ওইগনি।

মেচ অদুদা ব্রাজিলনা মশক থোক্না শান্নদুনা অর্জেন্টিনাগী সাইদতা তকশিনখি। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা ব্রাজিলনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। গোলশিং অদু কৌটিনহো অমদি নেয়মারনা চনখি।

অর্জেন্টিনানা খোঙফম ফনা লৈদুনা শান্নরকখিবনা মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা লুকাস বিগলিয়ানা কাওশিনখিবা বোল অমা ব্রাজিলগী গোলকিপর অলিসননা সেভ তৌখিদুনা গোল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবদু অরেম্বা তাখি। ব্রাজিলনা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখিবা প্রেসর অমদা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা কৌটিনহোনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মতম খজিক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা নেয়মারনা মহাক্কী ইন্টরনেসনেল গোলগী হাফ সেঞ্চুরি অদু চনখিদুনা ২-০ দা অমুক্কসু মাঙজিল থানা লৈখি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা নেয়মারনা রোমারিওগী গোল ৫৫ চনখিবগী মার্ক অদু য়ৌগদবা নকশিল্লক্লে অমদি পেলেনা গেম ৯১ দা অপুনবা গোল ৭৭ চন্দুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু লাম্থোক্লবা নেয়মারনা অচেৎবা ফীরেপ লৌদুনা চঙশিল্লি।

ব্রাজিলনা অনীশুবা হাফতা তৌখিবা অথুবা এটেক্তা পৌলিনহোনা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা রেনাটো ওগষ্টোগী ক্রোসতা গোল অমগা চনখিদুনা অর্জেন্টিনাবু মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেচশিংদা পেরুনা পরাগুৱেবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখি। পেরুগী গোলশিং অদু সেকেন্দ হাফতা চনখি। অদুগা ভেনেজুয়েলানা বোলিভিয়াবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখি। ভেনেজুয়েলাগী জোসেফ মার্টিনেজনা গোল অহুম চন্দুনা হেট ট্রিক ফংখিদুনা ভেনেজুয়েলাগী অহানবা হেট ট্রিক ফংবা প্লেয়রসু ওইখি।

কলম্বিয়া অমদি চিলি অনীনা শান্নখিবা মেচতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখিবদগী কলম্বিয়ানা গ্রুপকী ষ্টেন্দিংদা অহুমশুবদা লৈখি অদুগা উরুগুৱেনা ইক্বেদরবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রাজিলগী হেকমথংদা লৈদুনা অনীশুবা মফম ফংখি।

# ইন্দিয়ন ফুটবোলগী কোচ ষ্টেফেন কোনষ্টাটিনগী মতম চহী অমগা শাংদোক্লবা য়ারি



কোলকটা, নবেম্বর ১১ :
ইন্দিয়া ফুটবোল টিমগী কোচ ষ্টেফেন কোনষ্টাটিনবু মহাক্কী কোচকী ফম অসি চহী অমগা শাংদোক্লবা য়াই হায়না অৱাংবা থাক্কী পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউগী সোর্স অদুনা হায়, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসপু টেক্লিকেল টাক্স ফোর্সনা মথৌ শিন্নদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মুম্বাইদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা বৃটোনবু মতম শাংদোক্লবা অয়াবা পীখি হায়রি।

পাউ অদুনা হায়, ষ্টেফেন্না মখা তানা অতোপ্পা চহী অমগা থৌ পুরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা কুশলনা মহাক্না ৱারী শান্নগনি অমদি চহী অমা শাংদোক্লবা ওফর তৌগনি। মসি নবেম্বর ১৫ দা কনফার্ম তৌগনি হায়না পাউ অদুনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৫ গী জন্যুৱারীদা ইন্দিয়ন টিমগী কোচকী থৌ পুখিবা কোনষ্টাটিননা হৌজিক নোর্থ কোরিয়াগী প্রো লাইসেন্স কোর্স ইনষ্ট্রক্টর ওইরিবনি। কোনষ্টাটিনগী কন্ট্রেক্ট অসি মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ২৮ দা লোইরে। দাসনা মহাক্না হেক হল্লকপগা কোন্ট্রেক্টকীদমক ওফর তৌগনি। মসি কুমজা ২০১৮ গী ফেব্রুৱারী ফাওবগীনি।

মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) কী টেক্লিকেল কম্মিটিগী চ্যেরমেন বাইচুং ভুটিয়া, ৱেষ্টর্ন ইন্দিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন (ৱিফা) গী সি ঈ ও হেনরি মেনেজেস, কেরলা ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অনীল কুমার অমদি এ আই এফ এফ একাদেমীগী ইনষ্ট্রক্টর স্কোট্ট ও' দোনেল্ল য়াওখি।

মহাক্কী অনীরকশুবা কোচ ওইনা কোনষ্টাটিননা ইন্দিয়াবু ২০১৮ ৱর্ল্ড কপ/এসিয়ন কপ ক্বালিফাইয়রদা পুশিনবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ানা ক্বালিফাইয়রগী গ্রুপ দিদা ইরান, ওমান অমদি রেঙ্ক নেম্না লৈরিবা গুমগা পুনখি অমদি গ্রুপকী খ্বাইগী মনিংদা লৈহৌখি।

মহাক্না চহী অসিগী জন্যুৱারীদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) চেম্পিয়নশিপ্তা লমজিংখিদুনা মায় পাকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

# টেজাস্বিন শঙ্করনা নেসনল জুনিয়র এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ্তা নেসনল রেকোর্দ থমখ্রে



কোইম্বাটোর, নবেম্বর ১১ :
মশাগী চহী ১৭শুরবা টেজাশ্বিন শঙ্করনা মফম অসিগী নেহরু ষ্টেদিয়মদা চথরিবা নেসনল জুনিয়র এথলেটিক্স মীটকী শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা হায়-জম্পতা অনৌবা রেকোর্দ থমখিবগা লোয়নননা মীট অসিগী অহৌবা নুমিৎকী হেরো অমসু ওইবা ঙমখি।

দেল্লিগী নুপামচা অসিনা অন্দর-১৮ হায় জম্পতা নেসনল অমদি মীট রেকোর্দ মুথৎখি। টেজাশ্বিননা মহাক্কী অনীশুবা এটেম্পতা মিটর ২.২৬ ৱাংনা চোংখিদুনা কুমজা ২০০৪ দা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ওল ষ্টার মীটতা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হরিশঙ্কর রোয়না মিটর ২.২৫ ৱাংনা চোংখিদুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খি। অরিবা নেসনল জুনিয়র রেকোর্দ অমদি মীট রেকোর্দ অদু কুমজা ২০১১ দা কর্নাটকাগী এন হারশিথনা মিট ২.১৭ চোংদুনা থমখিবনি।

কেরলাগী অনান্ধু কে এসনা মিটর ২.০৪ চোংদুনা সিলভর অমদি হরিয়ানাগী নিশান্টনা মিটর ২.০২ চোংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

টেজাশ্বিন শঙ্করনা চহী অসিগী জুন থাদা ভিয়েটনামগী হো চি মিনহ সিটিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক্কী ফৈবোমগী শিংলিদা অশোকপা লৈখিবদগী তরুকশুবা পোজিসন তাখি। মহাক্কী অশোকপা অদুনা জুলাই থাদা জর্মনদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা ঙমখিদে। চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমসদা শঙ্করনা মিটর ২.১৭ ৱাংনা চোংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা অনৌবা পার্ফোর্মেন্স ওইখিদুনা সিলভর মেদল ফংদুনা ৱর্ল্ড ইভেন্টকী ক্বালিফাই ওইবা অহানবা এথলেট ওইখিবনি।

মমাঙ চহীদা দোহাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন য়ুঠ চেম্পিয়নশিপ্তা শঙ্করনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। মদুদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোর্মেন্স ওইনা মিটর ২.১২ চোংখি। অদুগা মহাক্কী মশক নাইবা অমা ওইনা সেনিয়র মীট অমা ওইখিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা সিলভর ফংখিবনি।

মহাক্না থা মরি অশোকপা লৈখিবা অদুগী মতুংদা অহানবা ওইনা সেপ্টেম্বর থাদা লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা নেসনল ওপন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক্কী পার্সনেল বেষ্ট ওইনা মিটর ২.২২ দা লৈখি।

শঙ্করনা হায়খি, লক্ষনৌ মীটতা ঐনা মিটর ২.২৬ লাম্থোক্লবা হোৎনখি অদুবু মায় পাকপদি ঙমখিদে। ঐনা মিটর ২.২২ ৱাংনা চোংবা ঙমখি। ঐনা মখা তারকপদা নেসনল রেকোর্দশিং অথুবদা থুগায়গনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নুপামচাগী অন্দর-১৬ কী কেটগোরিদা হরিয়ানাগী সাহিল সিলৱালনা দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা মহাক্কী অহানবা এটেম্পতা মিটর ৫৩.৯৬ শান্না ফংদুনা অনৌবা নেসনল জুনিয়র অমদি মীট রেকোর্দ থমখি। মমাঙ চহীদা অবেয় শুন্টানা মিটর ৫৩.০২ শান্না লংদুনা রেকোর্দ থমখিবনি। হরিয়ানাগী সৌরভনা মিটর ৫২.৬৫ লংদুনা সিলভর অমদি হিমাচল প্রদেশকী অজয়না মিটর ৫২.৫০ লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপীমচাগী অন্দর-১৬ কী মিটর ২০০০ গী লমজেলদা উত্তর প্রদেশকী অমরিটা পটেলনা ৬:২৫.৬৬ সেকেন্দ চেন্দুনা অনৌবা রেকোর্দ থমখি। নুপামচাগী অন্দর-১৬ কী মিটর ২০০ গী লমজেলদা হরিয়ানাগী ভিকাসনা ৫:৩১.৮৭ সেকেন্দ চেন্দুনা রেকোর্দ থমখি।

অদুগা নুপীগী অন্দর-১৬ তা পারামজোট কৌরনা শোট পুটতা মিটর ১৪.২১ শান্না লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

নুপীগী অন্দর-২০ গী মিটর ১৫০০ গী ইভেন্টতা এসিয়ন জুনিয়র গোল্ড মেদলিষ্ট ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লিলি দাসনা ৪:২৫.২২ সেকেন্দ চেন্দুনা মীট রেকোর্দ থমখি। নুপাগী অন্দর-১৮ গী মিটর ১৫০০ গী ইভেন্টতা হরিয়ানাগী শঙ্করনা ৩:৫৩.৬৩ সেকেন্দ চেন্দুনা মীট রেকোর্দ থমখি।

# শরাপোভানা য়ু এন গুদৱিল এম্বেসেদরদা অমুক হল্লক্লগনি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১১ : রসিয়াগী টেনিস প্লেয়র মারিয়া শরাপোভানা অমুক হন্না য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন) গুদৱিল এম্বেসেদর ওইনা হল্লক্লগনি হায়না য়ু এননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। আইন্না অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ শিজিন্নরম্বগীদমক সসপেন্দ তৌদুনা লৈরিবা শরাপোভানা মহাক্কী অথিংবা অদু মথং চহীগী এপ্রিল থাদা লোইবগা লোয়নননা মহাক্না ইন্টরনেসনেল টেনিস কম্পিটিসনদা হল্লক্লনবা শেম শাখ্রবনি। য়ু এন দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (য়ু এন দি পি) গা চহী ৯ গী পার্টনরশিপ থমদুনা শরাপোভানা গুদৱিল এম্বেসেদরগী রোল লৌদুনা লাকখিবা অদু মহাক্না দ্রগ শিজিন্নরম্বদগী চহী অসিগী মার্চ থাদগী য়ু এননা সসপেন্দ তৌখি। মহাক্কী অথিংবা অসি কুমজা ২০১৭ কী এপ্রিলদা লোইরগদবনা য়ু এননা মহাক্পু অমুক হন্না গুদৱিল এম্বেসেদর ওইনবা খঙহনখি।

# পাকিষ্টাননা মখা তানা ইন্দিয়াগা বাইলেটরেল সেরিজ পাঙথোকপা পাম্লি



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১১ :
পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়া অনীনা শান্নগদবা সেরিজশিংদা ইন্দিয়ানা শান্নখিদবদগী মাঙখিবা শেনফমশিং হঙ্গৎলক্লুবা পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) অমদি ইন্টরনেসনেল কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) অমদি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) দা তকশিনখ্রে।

পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) কী ইগজেক্যুটিব কমিটিগী চ্যেরমেন নাজম সেথিনা হায়খি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীফমদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগা নৌনা ক্রিকেট সেরিজ শান্ননবা নৎত্রগা মাঙখিবা শেনফম হঙ্গৎনবা ৱাফম ঐখোয়না বি সি সি আই অমদি আই সি সিদা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে। বি সি সি আইনা পাকিষ্টানগা ক্রিকেট সেরিজ শান্নগনি হায়বদু থবক্তা ওন্থোক্তবদগী পি সি বিগী ইকনমিদা চাউনা চৈথেং পীবনা মদুগী কম্পেন্সেসন পীনবা ঐখোয়না আই সি সিদা তকশিনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৯ দা জম্মু অমদি কাশ্মিরগী উরিদা টেরোরিষ্টশিংনা অকনবা এটেক্ত তৌদুনা ইন্দিয়ন আর্মিগী পার্সনেল ১৯ হাৎখিবগী পাউখুম ওইনা ইন্দিয়ন আর্মিনা সেপ্টেম্বর ২৯ দা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী ৱাংমদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখিবদগী লৈবাক অনীগী মরীদা হেন্না ফীভম শোকচিনখি। সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অদুদা পাকিষ্টানগী লান্মী অনী অমদি টেরোরিষ্ট ৩০ হেন্না হাৎখি হায়না রিপোর্ট তৌনখিবনি।

অমরোমদা, লাক্লিবা ইন্টরনেসনেল ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান অনীবু চপ মান্নবা গ্রুপতা তাহনবীদনবা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুরনা মমাঙদা আই সি সিদা হায়জবা ফাওবা লৈখ্রবনি।

হৌজিক বি সি সি আইনা পাকিষ্টানগা ক্রিকেট সেরিজ শান্নদনবা ৱারেপ লৌখিবনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অয়াবা মখাদা কুমজা ২০১৪ দা খুৎয়েক পীনখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) গী মতুং ইন্না অনুরাগ থাকুরনা লুচিংবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট বোর্দ অসিনা কুমজা ২০১৫ দগী কুমজা ২০২৩ ফাওবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা সেরিজ তরুক শান্নবা পি সি বিগী অপাম্বা লৈরি।

TOP-10 PRODUCTION CENTRE
HURRY!
Sega Road, Thouda Bhabok Leikai,
Near Hueiyen Lanpao Press
ADMISSION OPEN
1. Special Foundation Course for Class-IX & X (BOSEM)
Duration : 4 months Fee : Rs. 10,500/- (all subject)
Timing : 4:40 am. - 8:00 am. (For Class - IX) & 4:10 pm. - 8:20 pm. (For Class - X)
2. Special Revision Course for Class-X (BOSEM)
Duration : 2 months Fee : Rs. 5,500/- (all subject)
Timing : 9:00 am. - 2:00 pm. 3:00 pm. - 8:00 pm.
First Come First Serve
Subjects : English, Maths, Sc., S.Sc., Man
Class starts : 5th December, 2016
Last date : 20th November, 2016
25 Students per batch
Minimum fee with instalment basis
Every student can choose subjects seperately.
- Conducted by well qualified 20 yrs. experienced Teachers and Examiners.
- Suggestion for HSLC Exam 2017.
- Chapter wise Assessment, free study materials.
- Previous Year questions analysis.
- Regular Mock Test on every sunday.
VAN SERVICE AVAILABLE
HL-P/10434/3-17 Nov.
For more details, Pliz call ☎ 8794523940 / 9615049496

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 5th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm
Foundation Course for Class I to X Starts: 15th Dec. 2016 Limited Seat



TOPPERS of 2016
1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh

TOPPERS of 2015
2nd Position . Gopal Krishna
3rd Position Ng. Victoria
4th Position S.Shivaranjani
7th Position RK. Babysana
9th Position Ksh. Monica
11th Position Thangminlal H.
20th Position Bilson Oinam
21st Position Gita E.
21st Position S. Saya Devi
22nd Position N. Nonibala
23rd Position Jasmine H.

TOPPERS of 2014
3rd Position Luhiya Ng.
6th Position Neera S.
9th Position Khoneesh N.
9th Position Harison Y.
12th Position KAILASH KUMAR N.
13th Position L. DENILSON
16th Position KH. PRAVIN
18th Position BONNIE W.
20th Position KELVIN M.
21st Position MALEMNGANBA
23rd Position INDERKUMAR

TOPPERS of 2013
1st Position Miranda M.
3rd Position Ratimanjuri
5th Position Miranda O
6th Position Sydeny Th.
14th Position VIVEK A.
15th Position REMA N.
16th Position SADA SALAM
16th Position CHITRA KH.
22nd Position BIDYALUXMI
24th Position JAYALUXMI
24th Position PRESCILA RK.

SUBJECT TOPPERS 2016
Mathematics
1) Chetanna
2) Vasundhara
3) Sindia
4) Sohana
4) Wosoron
5) Yaisana
Hr. Mathematics
1) Ningthem
2) Sohana
3) Wosoron
4) Yaisana
Computer Sc.
1) Chetanna
2) Jyotsana
Manipuri
1) Sohana
El. Manipuri
1) Wosoron

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
9402897710
8732022342
HL-B/3446/4/11-3/12